# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 02-05-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কামজোং জিলাগী চদোংবু লম কোয়বশিংগী মফম অমা ওইনবা খুঞ্জাশিংনা শেমগৎলিবা অদুবু হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না অপেনবা ফোংদোকখ্রে।

২) ওল মণিপুর ৱার্কিং জরনেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ)গী প্রসিদেন্ট অশেম ভক্ত সিংহনা ওইরগনি।

অমসুং

৩) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- লৈবাকসিদগী তেরোরিজম মরু ফংনা মুথৎপা হায়বসি সরকার অসিগী পান্দমনি।

------

বীরেন (এল)ঃ কামজোং জিলাগী চদোংবু লম কোয়বশিংগী মফম অমা ওইনবা খুঞ্জাশিংনা শেমগৎলিবা অদুবু হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না অপেনবা ফোংদোকখ্রে। খুঙ্গং অদুগী চর্চ লুচিংবশিং, সেনিয়র সিতিজনশিং অমসুং অতৈ মীওইশিংনা শ্রী বিরেনগী য়ুমদা লাক্তুনা মফম অদুবু অনৌবা তুরিষ্ট স্পোট অমা ওইনা শেমগৎনবা হোৎনরিবা অদুগী মতাংদা পাউদমখি। খুঞ্জাশিংনা মখোয় মখোয়গী লৈজবা অমদি হৈথোই শিংথোইবা কয়ানা মফম অদুব্ হেন্না ফজবা মওংদা শেমগৎনবা হোৎনরিবা অদুদা শ্রী বিরেন্না নুংঙাইবা ফোংদোকখি। মহাক্কী সরকার লৈরিঙৈ মতমদসু খুঙ্গং অদুগী চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎখি হায়না শ্রী বিরেন্না মখা তানা ফোংদোকখি।

অমজ্ (এল)ঃ   ওল মণিপুর ৱার্কিং জরনেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ)গী প্রসিদেন্ট অশেম ভক্ত সিংহনা ওইরগনি। ঙরাং পাঙথোকখিবা অমজ্গী প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা অশেম ভক্তনা মায় পাকখি। প্রসিদেন্টকী মীখল অসিগীদমক অমজ্গী হান্নগী প্রসিদেন্ট বিজয় ককচিংতামগা লম্বা তৌনখিবনি।  মসিগা লোয়নননা ষ্টেন্দিং কমিতি ৮ গী মীখলসু ঙরাং পাঙথোকখি।

ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা মীখলদা এলাংবম ওজিৎকুমার, কোন্থৌজম গীতা দেবী, থিংবাইজম লখিকান্ট সিংহ, শোরেনশংবম সোনিয়া দেবী, লৈমাপোকপম শঞ্জিবকুমার সিংহ, হাওবম প্রবিনকুমার সিংহ, খ্বাইরাকপম নাওবা অমদি শুরজ চনম মীখলদা মায় পাকখি। মখোয়না চহি অনি অমজ্গী থবক থৌরম পুগনি।

সাহ ঃ   গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- পহলগাম টেরর এটেক্তা চেন্নবশিং অমত্তা লেমা থারোই।

নিউ দিল্লিদা বোরো লুচিংবা বোরোফা উপেন্দ্রনাথ ব্রমাগী মীতম মায়খুম হাংদোকপা অমসুং মহাক্কী মমিংদা থোনবা লম্বী অমা মীয়ামদা কৎথোকপগী থৌরমদা ৱাফম অসি গৃহ মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- লৈবাকসিদগী তেরোরিজম মরু ফংনা মুথৎপা হায়বসি সরকার অসিগী পান্দমনি। তেরোরিজমগী থবক থৌরমশিংগী মায়োক্তা লৈবা অসিনা হনবা লৈতনা চংশিনগনি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা নাগরিক কোতি ১৪০ খক্তা নত্তনা ভারত্তা তেরোরিষ্টকী থবক চখুরক্লিবা অসি মালেমগী লৈবাক কয়ানা মসিগী মায়োক্তা লেপ্লি। তেরোজিরম থেংনবদা মালেমগী লৈবাক কয়ানা ভারতপু শৌগৎলি। কাশ্মীরদা ইং ১৯৯০ গী মতমদগী তেরোরিষ্টকী থবক থৌরমশিং হেনগৎলক্লিবা অসি থেংনদুনা লৈবাক অসিদা তেরোরিজমগী থবক থৌওং অমত্তা লৈহন্দবা হায়বা সরকারগী ফিরেপ অদু হোংবা লৈতে।

রাজনাথ ঃ  পহলগাম টেরর এটেক্তা লৈখিদ্রবশিং অদুগীদমক আমেরিকাগী সেক্রেটরি ওফ দিফেন্স পিট হেগসেদনা থম্মোয় শোকা নুংঙাইতবা ফোংদোকখ্রে। ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহগা ৱারী শান্নবদা শ্রী হেগসেদনা

হায়- ভারতনা তেরোরিজমগী মায়োক্তা চংশিনবা থবক থৌরমদা আমেরিকানা শৌগৎকনি। ৱারী শান্নবা অদুদা ঙাকশেল মন্ত্রিনা হায়- পাকিস্তান্না তেরোরিজমবু শৌগৎলি অমসুং মখোয়গী থবক থৌরমদা চাউনা শেল থাদরি। মালেমদা তেরোরিজমগী থবক থৌরম হেনগৎহন্নবা হোৎনবদা পাকিস্তান্না অচৌবা থৌদাং লৌরি। মসিদা মালেমগী লৈবাকশিংনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈফম থোক্তে। হৌজিক্তি তেরোরিজমগী থবক থৌরমশিং লোইশিনবা অমদি তেরোরিষ্টশিংগী লোৎফম খঙদোক্লুনা মখোয়গী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎপদা মালেমগী লৈবাক কয়ানা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে হায়নসু শ্রী রাজনাথনা মখা তানা ফোংদোকখি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ৱেবস মীফমনা ভারতকী তৌবা ঙম্বা শক্তিশিং অদু মালেমদা উৎথোকপা ঙমলে। ভারত অসি ফিলম পুথোকপা, দিজিতেলগী লমদা অমদি ঈশৈ নোংমাই য়াওনা হিরম কয়াদা চাওখৎলক্লিবা লৈবাক অমনি।

মুম্বাইগী জিও ৱার্ল্ড সেন্তরদা ঙরাং ৱার্ল্ড ওদিও ভিজ্যেল এন্দ ইন্তরটেনমেন্ট সম্মিৎ (ৱেবস) ২০২৫ হৌদোক্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়- মালেমগী ওইনা এনিমেসনগী থবক থৌরম অসি খুমাং য়াংনা চাওখৎলক্লি। মসিনা হৌজিক ফাওবদা বিল্লিয়ন দোল্লর ৪৩০ তানবা ঙমলি। লাক্কদৌরিবা চহি ১০ অসিদা শেনফম অসিগী শরুক অনি হেনগৎনা তানবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈত। ৱেবস মীফম অসিনা লৈবাক অসিগী এনিমেসন অমসুং গ্রাফিক্স ইন্দষ্ট্রি হেন্না চাওখৎহন্নবগী খুদোংচাবা অমা পীরে। লম অসিদা থবক তৌরিবা ষ্টেগ হোল্ডরশিংনসু হিরম অসিদা অন্তরজাতিগী থাক য়ৌনা হেন্না মগুন লৈনা পুথোকবা শ্রী মোদিনা আপীল তৌরি।

ৱেবস মীফম অসিনা লৈবাক অসিগী কলা সংস্কৃতি, তৌবা ঙম্বা শক্তি উৎথোকপা খক নত্তনা মালেমগী লৈবাক কয়াগা ভারতকা শমহন্নবগী অচৌবা লম্বী অমসু ওইরি।

পিএমঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি কেরলাদা ভারতকী অহানবা সিমি ওটোমেটেদ হিথাংফম-ভিঝিনজম ইন্টরনেসনেল পোর্ট লৈবাক অসিগী মীয়ামদা

খুৎশিন্নরগনি।

হিথাংফম অসিনা ভারতকী অহানবা পোৎ-চৈ পুবা অচৌবা জহাজশিং চৎথোক চৎশিন য়াবা হিথাংফম ওইগদৌরি। মসিনা কেরলাবু মালেমগী মেরিটাইম মেপতা য়াওরগনি।

কমিতি ঃ লোক সভাগী অধ্যক্ষা ওম বিরলানা বি.জে.পিগী এম.পি. শঞ্জয় জৈসৱালবু কমিতি ওন ইষ্টিমেটস ফোর ২০২৫-২৬ কী চেয়ারপার্সন হাপ্লে। মীওই ৩০ না শাবা কমিতি অসিনা মথং চহিগী এপ্রিল ৩০ ফাওবা থবক তৌগনি।

কমিতি অসিদা বি.জে.পিগী এম.পি- পি.পি. চৌধুরি অমসুং রাজিভ প্রতাপ রুদি য়াওরি। কংগ্রেসকী ওইনা কুমারি সৈলজা অমসুং দিপেন্দর সিংহ হুদা য়াওরি। সমাজৱাদি পার্তিগী অৱাদেশ প্রসাদ, ত্রিনামুল কংগ্রেসকী কল্যান বেনর্জি, দি.এম.কেগী দয়ানিধি মরন অমসুং শিব সেনা (য়ু.বি.টি)গী অরবিন্দ সাৱন কমিতি অসিগী মেম্বরশিং ওইনা য়াওরি।

অধ্যক্ষনা বি.জে.পিগী এম.পি- বিজায়ন পান্দাবু কমিতি ওন পাব্লিক অন দর টেকিংস ফোর ২০২৫-২৬ কী চেয়ারপার্সন ওইনা খনখ্রে। মীওই ২২ না শাবা কমিতি অসিদা লোক সভাগী মেম্বর ১৫ অমসুং রাজ্য সভাগী মেম্বর ৭ য়াওরি।

নাইদু ঃ অন্ধ্রা প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি চন্দ্রবাবু নাইদুনা রাজ্য অদুগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা এম.এস.এম.ই পার্ক ১০ ঙরাং হাংদোকখ্রে। পার্কশিং অদু হাংদোক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- এন.দি.এ সরকারগী পান্দমদি- লৈবাক অসিগী য়ুমথোঙ অমমমবু ওন্তরপ্রেন্যুর অমমম ওইহনবনি। রাজ্য অদুদা পুন্না এম.এস.এম.ই পার্ক ১৭৫ হাংদোকবা হোৎনরি হায়রদুনা শ্রী নাইদুনা হায়- অন্ধ্রা প্রদেশতা হিরম অসিদা মীওই লাখ ২০ থবক পীনবা পান্দম থল্লি। অহানবা তাঙ্কক্তা বিধান সভা কেন্দ্র ৪০ কোনশিনগনি। মসিগীদমক লুপা কোতি লিশিং ২ থাদগনি। মহাকা হায়- লৌমী অমসুং নুপীশিংনা মখোয় মশা মশাগী ওইনা এম.এস.এম.ই পার্ক মচা মচা হাংদোকপা পাল্লবদি মদুগী তঙাইফদবা মচাক

মথুমশিং রাজ্য সরকারনা পীগনি।

ক্রিকেট ঃ ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগ ক্রিকেটকী ঙরাং জয়পুরগী সৱাই মান সিংহ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা রাজস্থান রোয়েলসবু রন ১০০ দা থোইখ্রে। হান্না বেত্তিং তৌখিবা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা অপিবা ওভর ২০ দা রন ২১৭ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা রাজস্থান রোয়েলসনা ওভর ১৬ কা বোল অমদা ৱিকেট পুমমক তুরগা রন ১১৭ তমক লৌবা ঙমখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙরাং মে দে গী শুটি লৈখিবনা মরম ওইরগা তমেংলোংদা ফোঙবা পাউ-চে গানফিয়ু মেল অমসুং তমেংলোং তাইমস নত্তনা ইম্ফালদা ফোঙবা পাউ চে অয়াম্বা ফোঙনদ্রে।

তমেংলোংদা ফোঙবা পাউ-চে গানফিয়ু মেলদা নোনেদা লৈবা তাজৈ হায়ার সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোইশিংগীদমক্তা প্রোজেক্ট বেজ লার্নিংগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোইশিং অমসুং ওজাশিংনা আঘা ত্রেল মপান শেংদোকপগী থৌরম পাঙথোকখি হায়বা পাউ অমসুং তেরোরিষ্ট অমত্তা ঙাকপীরোই হায়না হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা পহলগাম থৌদোক্কা মরী লৈননা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লক্ত্রিবা ফাওবা মখা তানা করফিউ অথিংবা লৈখিগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না ফোংদোকখিবা তমেংলোং টাইমস পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। তেরোরিজমগী মায়োক্তা চথবা লান হৌজিক ফাওবা লোইদ্রি হায়না হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসু পাউচে অসিমক্কী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------